# প্রভাবতি ফিটনেস সেন্টর ৱাঙ্খৈনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (ঐচ এন এস):**
মণিপুর এমেচর বোডি বিল্ডর্স এসোসিএশন (মাবা)না শীল্লগা ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সীদা লৈবা আশা হোলদা ঙরাং পাঙথোকখিবা ১৫ রক শুবা মিষ্টর কংলৈপাক বোডি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা প্রভাবতি ফিটনেস সেন্টর ৱাঙ্খৈনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।




লেট নিংথেমচা নিংঙোল চোংথাম ওংবী ইমা সনাতোন্বী দেবী মেমোরিএল ত্রষ্টকী স্পোন্সরশিপ মখাদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টতগী লাকপা নুপা অমদি নুপী বোডি বিল্ডিং শান্নরোয় ১৫০ রোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা পুন্না কেটাগরি ৮দা অথোয় অহেন চাংদম্নখি। চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মিষ্টর কংলৈপাক ২০২৫গী টাইটলনা ওগষ্ট জিম ন্যু চেক্কোনগী কৈথেললাকপম মালেমঙানবনা লৌখি।

সিনিয়র মেন্স কেটাগরিগী শোর্ট গ্রুপতা এম পি এস সীগী জেনচুই রোংমৈ, মেদিয়ম গ্রুপকীদনা এম পি এস সীগী দল্লিয়ু কিরন, টোল গ্রুপকীদা ওগষ্ট জিমগী কৈথেল্লাকপম মালেমঙানবা অমদি সুপর টোল গ্রুপ্তুনা লমখায় লাইরেন্বী শান্নবুংগী মাইবম রোবার্টনা মাগী মাগী কাঙলুপকীদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

মাষ্টর কেটাগরিগী চহী ৪০ মথক্কী ওপন বোডি বিল্ডিং কন্টেষ্টতা এম পি এস সীগী দল্লিয়ু কিরননা গোল্ড, এন এফ সী নম্বোলগী বোইনাও লোংজমনা সিলভর অমদি এন টি জিম লংথবালগী লাইময়ুম সেখোরজিৎনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

জুনিয়র মেন্স কেটাগরিগী ওভর ওল টাইটলনা ওগষ্ট জিম ন্যু চেক্কোনগী সিনাম মোচানা লৌখি লোয়নদা কেটাগরি অসিগী শোর্ট গ্রুপতা প্রভাবতি ফিটনেস সেন্টর ৱাঙ্খৈগী থোকচোম জে সপর, মেদিয়ম গ্রুপকীদনা মাউন্টেন জিম থাংমৈবন্দগী সঞ্জেনবম কুমজা লেম্বা, টোল গ্রুপতা ওগষ্ট জিমগী সিনাম মেমোচা অমদি সুপর টোলগীদা বোডি পার্ফেক ফিটনেস সেন্টর পাৎশোইগী নান্দেবম রোহিতনা মাগী মাগী কেটাগরিদা অহানবা মফম কল্লগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

মেন্স ক্লাসিক ফিজিককী সেন্টিমিটর ১৭০ মখাগী কেটাগরিদা এম কে ফিটনেস সেন্টর সগোলবন্দগী ওইনাম লিভর্টনা অহানবা মফম কল্লগা গোল্ড মেদল অদুগা সেন্টিমিটর ১৭০ মথক্কীদনা মসল ফেক্টরি ককচিংগী লৈমপোকপম অভিসেকনা গোল্ড লৌখি। লোয়নদা ক্লাসিক মেন্স ফিজিককী চাংদম্নখিবদা ওইনাম লিভর্টনা ওভরওল চেম্পিয়নগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াখিবা নুপা অমদি নুপীগী তোঙান তোঙানবা কেটাগরি ৮গী মকোক মথং তাখ্রবা অমসুং ওভরওল টাইটল লৌখ্রবা শাফবশিংদা ট্রোফি, মেদল, সার্টিফিকেট, কেস এৱার্দ অমদি ফুদ সপ্লিমেন্টনচিংবা খুৎশীন্নদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

# এন এস য়ু খো-খো ইন্ট্রামুরেল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (ঐচ এন এস):**
নেশনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি (এন এস য়ু) মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসিদগী এন এস য়ু খো-খো গ্রাউন্দদা এন এস য়ু খো-খো ইন্ট্রামুরেল টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ নীনি চুপ্না চৎথগদবা টুর্নামেন্ট অসি এন এস য়ুগী মিখা সিংহ হাউসনা শীন্দুনা পাঙথোকপনি। টুর্নামেন্ট অসিদা বির টিকেন্দ্রজিৎ, মেজর ধ্যানচান্দ, সিবাজি অমদি মিখা সিংহ হায়না হাউস মখল মরী থোক্না খায়দোক্তুনা শরুক য়ারি।

টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট খো-খো এসোসিএশনগী জেনরেল সেক্রেটরি হিজম প্রেমকুমার, এসোসিএশন অসিগী লাইফ মেম্বর লোয়নদা দিষ্ট্রিক্ট এগজিক্যুটিব মেম্বর আর কে খেরোদা, এন এস য়ু মিখা সিংহগী হাউস মেম্বর সাই স্বাদেশ মোহন্তি অমদি গুলসননা অথোয়বা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অহৌবা নুমিৎকী অহানবা মেটচতা বিরটিকেন্দ্রজিৎ হাউস অমদি মেজর ধ্যানচান্দ হাউস অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি।

# আর্বিন্দ পোলো ক্লব টিম (এ) অমসুং ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব টিম (বি) মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (ঐচ এন এস):**
মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী লীরবা অমদি অহিংবা পোলো গ্রাউন্দ অমসু ওইরিবা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা থা অসিগী ১৯দগী হৌদুনা চথরিবা ৩৮ লক শুবা এন হজারি অমসুং ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা অর্বিন্দ পোলো ক্লব টিম (এ) ইরোইশেম্বা, ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব টিম (বি) নোংমৈবুং অমদি এম পি এস সী টিম (বি)শিং মায় পাকখ্রে।

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশন (এম ঐচ আর পি এ)না শীন্দুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ক্লব ৩৮না শরুক য়ারগা লিগ কম নোকআউট বেসিসতা চথরিবা ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদা অহানবা গ্রাউন্দগী ২০ শুবা লিগ মেটচ ওইনা অর্বিন্দ পোলো ক্লব টিম (এ) অমসুং খুরাই পোলো ক্লবকী মরক্তা লম্বা তৌনখি।

টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী অর্বিন্দ পোলো ক্লবনা খরা হেন্না লাকচনা ঙমখি। টিম অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুগী অপীবা চকর মরি লোইবা ফাওবদা অর্বিন্দ পোলো ক্লব টিম (এ)না খুরাই পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৮-৩দা মায়থীবা পীরম্লগা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী ২১ শুবা লিগ মেটচতা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব টিম (বি) নোংমৈবুংনা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল টিম (এ) শিংজমৈগা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব টিম (বি)না লাকচনা শান্নবা ঙমখিবনা মেটচ অদুগী অপীবা চকর মরি লোয়বা ফাওবদা কে এন এম এম রাইদিং স্কুল টিম (এ)বু পাঞ্জল ৯-৪দা থোইবা ঙমখিবনি।

লোয়নদা ঙসি শান্নখিবা অরোয়বা লিগ মেটচতনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম (বি)না লুৱাংপোকপা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৭-২দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

# ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌরুগদবা মণিপুরগী সরুংবম অথৌবা মৈতৈ ইম্ফাল থাদোকখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (ঐচ এন এস):**
এসিয়া ট্রাইথলোন জুনিয়র অমদি চহী ২৩ মখাগী ট্রাইথলোন চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীল্লুনবগীদমক মণিপুরদগী সরুংবম অথোইবা মৈতৈ ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ৱর্ল্ড ট্রাইথলোনগী মীৎয়েং মখাদা এসিয়ান ট্রাইথলোননা শীল্লগা জের্দানগী আইলা, অকাবাদা থা অসিগী ৩০দগী হৌরগা মথং থাগী ১ ফাওবা চত্থগদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরদগী সরুংবম অথৌবা মৈতৈনা ট্রাইথলোন মশান্নদা মেদল লৌরক্তুনা ইন্দিয়াগীতা নত্তনা লমদম অসিগীসু মীংচৎ পুরক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা থল্লি হায়না ইন্দিয়া ট্রাইথলোন ফেদরেশনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

উত্তরখন্দদা পাঙথোকখিবা ৩৮ রক শুবা নেশনল গেমসকী ট্রাইথলোন অমদি দুৱাথ্লোনদা অথৌবা মৈতৈনা গোল্ড মেদল অমমম লৌদুনা মণিপুরগী লেমজনিংঙাই ওইরবা মীংচৎ পুরকপা ঙমখিবনি। লোয়নদা চহী অসিগী এপ্রিল ২৬ অমসুং ২৭তা নেপালগী পোখরাদা পাঙথোকখিবা এসিয়া ট্রাইথলোন কপ অমদি সাউথ এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দসু ট্রাইথলোন অমদি দুৱাথ্লোন ইভেন্ট অনীমক্তা গোল্ড মেদল অমমম লৌবা ঙমখিবা লমদম অসিগী তাংলবা এথলিট অমনি। পনবা য়াবদি, অথৌবা মৈতৈ শীংজমৈ চীংঙামথক পীশুম লৈরক্তা লৈবা সরুংবম জিতেন অমদি সরুংবম প্রেমি অনীগী মচানুপানি।

# মণিপুরগী এম লনচেনবা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (ঐচ এন এস):**
বহরেনগী এক্সিবিসন ৱর্ল্ড বহরেন হোল-৯দা থা অসিগী ২২দগী হৌদুনা চথরিবা ৩ লক শুবা এসিয়ান য়ুথ গেমস ২০২৫ ফোর বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীল্লিবা মণিপুরদগী বোক্সর এম লনচেনবা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা বোক্সিং মশান্নগী কেজি ৫০ কাঙলুপকী ক্বার্টর ফাইনেল বাউথতা এম লনচেনবনা থাইলেন্দগী কমারেবু পোইন্ট ৪-১দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। লনচেনবনা প্রিলিমিনরি রাউন্দকী অহানবা বাউথতা ফিলিপিন্সকী বোক্সর অমায়া জেপরসনবু পোইন্ট ৪-১দা মায়থীবা পীরগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। গেমস অসি থা অসিগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কনি। লোয়নদা ইন্দিয়ান বোক্সিং টিমদা চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমদি নুপীমচা বোক্সর ১৪না শরুক য়ারি।

# অমুর ফালকোন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (ঐচ এন এস):**
খেল্লো ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই)না স্পোন্সর তৌরগা মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পি এফকী মখাদা ১৪৩ বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা শীনবা অমুর ফালকোন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।





তমেংলোং এ সীগী এম এল এ, এস ঐচ জাংহেমলুং পানমৈনা অথোয়বা মীথুংলেন ওইরগা হৌদোকখিবা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী থৌরম অদুদা তমেংলোংগী এস পি, এস ঐচ লানমিও লুইখাম, এদিস্নল এস পি, এস ঐচ জোসিহা, ৬শুবা এ আরগী লেফটিনেন্ট কর্নেল অনুপম অত্রি অমদি ৫ শুবা এম আর, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, মেরা য়ুব ভারতকী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

নোক আউট বেসিসতা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা নুমিৎতা খাংচৌলুৱাং ৱাই সী দাইলোং য়ুথ ওর্গনাইজেসন টিম ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা ১৪৩ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কম্যান্দেন্ট রবিন্দর শর্ম্মানা পাঙথোক্লিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী নুংগী ওইবা ৱাফমশিং মীয়াম মমাঙদা শুগায়না থমখি।



HL-B/9494/28

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1631**

J. Radovanovic (2366) - D. Eggleston (2232)
ch-EU Liverpool ENG (7), 2006.09.12

1.d4 e6 2.e4 d5 3.Nd2 c5 4.Ngf3 a6 5.exd5 exd5 6.dxc5 Bxc5 7.Nb3 Bb6 8.Bd3 Nf6 9.Qe2+ Be6 10.Be3 O-O 11.Bxb6 Qxb6 12.Qe3 Qxe3+ 13.fxe3 Nbd7 14.Nfd4 Rfe8 15.h3 Re7 16.Kf2 Rae8 17.Rhe1 Ne5 18.Nc5 Bc8 19.b3 g6 20.Re2 Kg7 21.a3 Rc7 22.Na4 h5 23.Nb6 Rd8 24.a4 Rd6 25.a5 Ned7 26.Nxd7 Bxd7 27.Ke1 Rc8 28.Kd2 Re8 29.Rf2 Re7 30.Rff1 Bc6 31.Rf3 Nd7 32.Raf1 Nc5 33.Rf4 Bd7 34.R4f3 Ne4+ 35.Bxe4 dxe4 36.Rf4...

**QUESTION : Black to win**

**Puzzle 1630 Solution :**

**38. ...Qb4** *The black queen attacks White's rook, which is defending the square d1.* **39.Rxe3**
*39.Qxe3 Qxb5*
*39.Qxf7 Qxe1#*
*39.Ra1 Re7 40.Qf8 e2 41.Qxf5+ g6 42.Qf8 e1=Q+*
**39. ...Rd7 40.Nc3**
*40.h4 Qxb5*
*40.Qxd7 Qb1+ 41.Qd1 Qxd1+*
**40. ...Qxc3** *The black queen captures White's knight, which was defending the square d1.* **41.Rxc3**
*41.Qxd7 Qa1+ 42.Qd1 Qxd1+*
**41...Rd1+ 42.Qe1 Rxe1#** *Back-rank mate*
**0-1**



HL-B/9957/28

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com